# বোম পোকখায়খিবগী কেসতা কনভিক্ট ৩৮ শিবগী চৈরাক পীখ্রে



অহমেদবাদ, ফেব্রুৱারী ১৮ (এজেন্সী): কুমজা ২০০৮দা অহমেদবাদতা থোকখিবা পরিং নাইনা বোম পোকখায়খিবগী কেসশিং খোঙজেল য়াঙনা ৱায়েল চথনবগীদমক্তা লাঙখিবা স্পেসল কোর্ট অসিনা কনভিক্সন পীখ্রবা মীওই ৪৯গী মনুংদা মীওই ৩৮ শিবগী চৈরাক পীখ্রে। অতৈ মীওই ১১না পুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে।

দিফেন্স উকিলশিংগী মতুংইন্না ইনি দয়াগী লিগেল হিস্ট্রিদা মসিনা সিঙ্গল কেস অমগা মরী লৈননা কনভিক্ট মশীং খ্বাইদগী য়াম্না শিবগী চৈরাক পীবা ওইরি। কনভিক্ট তৌরবা মীওই ৩৮দা পীরিবা চৈরাকশিং অদু আই পি সীগী সেক্সন ৩০২, অনলোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্ট (য়ু এ পি এ)গী সেক্সন ১০ অমসুং ১৬(১)(এ)(বি)গী মখাদনি।

ওফেন্স অহুন্মক্কী ওইনা কনভিক্ট ৩৮ মক্তা লুপা লিশিং ২৫গী ফাইনসু থিনবা খঙহনখি। অতৈ মীওই ১১ অদুনা আই পি সীগী সেক্সন ৩০২ অমসুং য়ু এ পি এগী সেক্সন ১০ অমসুং ১৬ (১)(এ)(বি)গী মখাদা পুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখি। মখোয় লোয়নমক্তা লুপা লিশিং ২৫গী পেনাল্টিসু ইম্পোজ তৌখি। মথক্তা পল্লিবা প্রোভিজনশিং অসিদা নত্তনা কনভিক্ট তৌরবা মীওই ৪৯ মক লোগী প্রোভিজন মরি হায়বদি য়ু এ পি এগী সেক্সন ২০, এক্সপ্লোসিভ সবষ্টেন্সেস এক্টকী সেক্সন ৩ অমসুং আই পি সীগী সেক্সন ১২৪এ, ১২১এগী মখাদা পুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈবগী চৈরাকসু পীখি।

অদুম ওইনমক কনভিক্টশিংনা জেলদা লৈগদৌরিবদু মতম অমত্তদা পরিং নাইনা চত্থগদৌরিবনি। কনভিক্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ভদোদারাদগী মোহম্মদ উস্মান অগরবট্টিৱালা হায়রিবা মীওই অসি মথক্কী প্রোভিজন অসিগী মখাদা চহী অমা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখি। মহাক আর্মস এক্টকী সেক্সন ২৫(১)(বি)(এ)গী মখাদা মরাল লৈরম্বা অমত্তা ঙাইহৰবা মীশকনি।

কনভিক্ট তৌরবা মীওই ৪৯বু চৈরাক ফংহনবদা নত্তনা কোর্টনা কনভিক্টশিংদগী খোমগৎপা ফাইনগী শেনফমদগী ভিক্টিমশিংদা কম্পেন্সেসন পীনবসু দিরেক্সন পীখি। স্পেসল জজ এ আর পটেলগী কোর্টনা বোম পোকখায়বগী থৌদোকশিং অদুদা শিখিবা ভিক্টিম ৫৬কা মরী লৈননা লুপা লাখ অমমম, ফীভম লুনা শোক্লবশিংগীনা লুপা লিশিং ৫০ অমসুং মাইনর ইঞ্জুরি লৈবশিংগীনা লুপা লিশিং ২৫ পীনবসু দিরেক্সন পীখি।

# হিজাব শীজিন্নবা থিংবদগী কর্নাটকাগী ইংলিস লেকচরর অমা রিজাইন তৌখ্রে

বেঙ্গলুরু, ফেব্রুৱারী ১৮ (এজেন্সী): কর্নাটকাগী তুমাকুরু দিষ্ট্রিক্টতা গেষ্ট ফেকল্টি অমা ওইনা থবক তৌরকখিবা ইংলিস লেকচরর নুপী অমা মহৈ তম্বীবদা হিজাব থাদোক্লুবা হায়রকপদগী মহাক্কী ফম অদুদগী রিজাইন তৌখ্রে।

লেকচরর চান্দিনিনা ফম থাদোক্লুবা মতুংদা ফোঙদোকখিবদা, মসি ইশানা ইশাবু ঈকায়খুম্নজবগী ৱাফম অমনি। ঐহাক হিজাব য়াওদনা তাকপী-তম্বীবা ঙম্লোই। লেকচরর অসিনা মখা তানা হায়খি মদুদি, হৌখিবা চহী অহুম অসি ঐহাক জে ইন পি য়ু কোলেজদা গেষ্ট লেকচরর অমা ওইনা থবক তৌরকখি। হায়রিবা চহী অহুমগী মতম অসিদা ঐহাক প্রোব্লেম অমত্তা লৈখিদে অমসুং ইকোম কোম্না থবক তৌখি। তৌইগুম্বসুং ঙরাং প্রিন্সিপালনা ঐহাকপু কৌরকখি অমসুং ক্লাসশিং হিজাব নৎত্রগা লাইনিং-লাইশোনগা মরী লৈনবা সিম্বোল অমত্তা শীজিন্নদনা কন্দক্ত তৌগদবনি হায়রকখি। হৌখিবা চহী অহুমলোম অসি ঐহাক্লা হিজাব শীজিন্নরগা মহৈরোয়শিংবু তাকপী-তম্বীরকখিবা ওইবনা হিজাব শীজিন্নগনু হায়রক্লিবা অসিনা ইশানা ইশাবু ঈকায়খুম্নজবগী ৱাখলদা শোকহল্লি। মরম অদুনা ঐহাক্লা অসিগুম্বা কোলেজদা মখা তানা থবক তৌবা পামদে। মসিনা মরম ওইদুনা ঐহাক ভলন্টরি ওইনা রিজাইন তৌবনি।

রেজিগনেসন লেট্টর অদুদা চান্দনিনা হায়খি মদুদি, কোলেজ অদুদা চহী অহুম চুপ্পা অঙাংশিং তাকপী তম্বীরকপদা শীজিন্নরকখিবা হিজাব লৌথোকউ হায়রকপসিনা মরম ওইদুনা ঐহাক ফম থাদোক্কদৌরিবনি। লাইনিং-লাইশোনগী রাইট হায়বসি কন্সটিট্যুসননা পীবা রাইটনি। অসিগুম্বা দেমোক্রেটিক ওইদবা থৌওং অসি ঐহাক্লা কন্দেম তৌই হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

অমরোমদা, কোলেজ ওথোরিটিশিংনা ইস্যু অদুগী মতাংদা কম্মেন্ট পীয়ু য়াখিদে হায়রি। কর্নাটকাদা হিজাবকী ৱাফম অসি মরুওইব ৱাথোক অমা ওইরক্লে। ষ্টেট শিন-থুংনা কোলেজ মেনেজমেন্টশিংনা হিজাব য়াওরগা ক্লাস য়াওবদা অথিংবা থম্বগী মায়োক্তা মহৈরোয়শিংনা খোঙজং চঙশিল্লকখি। হায় কোর্টনা শেম্বা স্পেসল বেঞ্চনা মেট্টর অদু হিয়রিং তৌরিবনি।

# সুপ্রীম কোর্টনা ইন্দ্রানি মুকর্জীয়াগী বেল প্লিগী পাউখুম পীরক্লবা সী বি আইদা খঙহনখ্রে



ন্যু দেল্লী, ফেব্রুৱারী ১৮ (এজেন্সী): শীনা বোরা মীহাৎ কেসতা মরুওইবা একুজ ওইরিবা ইন্দ্রানি মুকর্জীয়ানা থারকখিবা বেল প্লি হিয়রিং তৌবগী ৱাফম ইরাই নুমীৎতা সুপ্রীম কোর্টনা য়াখ্রে অমসুং হীরম অসিগা মরী লৈননা পাউখুম পীরক্লবা সী বি আইদা খঙহনখ্রে।

জষ্টিস এল নাগেশ্বর রাও অমসুং জষ্টিস পি এস নরাসিমহা রাওগী বেঞ্চ অমনা নোটিশ ইস্যু তৌরে অমসুং চয়োল অনীগী মরক্তা পাউখুম পীরক্কদবনি হায়খি।

মুকর্জীয়াগী মহুৎ শীল্লিবা সিনিয়র এদভোকেট মুকুল রোহাটগিনা বেঞ্চ অসিদা থমখিবা মহাক্কী সবমিসনদা হায়খি মদুদি, মহাক্কী ক্লাইন্ট অসি চহী তরুক হেন্না জেলদা লৈরক্লে অমসুং হৌজিক লৈরিবা ফীভমশিং খন্নরবা মতুংদা চত্থরিবা ৱায়েল অসি চহী তরাগী মনুংদা ফাওবা লোইবা য়াবগী ফীভম উদে। মহাক চহী তরুক মখায় জেলদা লৈরকখি। মথংগী চহীগী তরা অসিদা ৱায়েল লোইখিরোইদদৌরি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

বেঞ্চ অসিনা রোহাটগিদা কেস অদুদা ৱিটনেস কয়া লৈবগে হায়না হংখি। মদুদা রোহাটগিনা ৱিটনেস ১৮৫ এগজামিন তৌগদবা ৱাৎলি হায়খি। মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা চহী অমা মখায়গী মতম অসিদা ৱিটনেস অমত্তা এগজামিন তৌখিদে অমদি মহাক্কী মপুরোইবা বেল পীখ্রবনি। রোহাটগিনা মখা তানা মহাক্কী সবমিসনদা হায়খি মদুদি, কুমজা ২০২১গী জুনদগী ট্রাইয়েল কোর্ট অদু প্রিসাইদিং ওফিসর য়াওদনা তৌফম থোকপা থবক তৌদনা লাকখি। মহাক্লা মখা তারদুনা তোপ কোর্ট অসিদা মহাক্কী ক্লাইন্টকী হকচাংগী ফীভম ফৎত্রে হায়নসু খঙহনখি। কুমজা ২০১৫দা থোকখিবা মী হাৎপগী কেস অদুগা মরী লৈননা ফাখিবদগী মুকর্জীয়া জেলদা লৈরকখিবনি।

# স্বপ্না সুরেশ আর এস এসনা শৌগৎপা এন জি ও য়াওখ্রে

তিরুবন্তপুরম, ফেব্রুৱারী ১৮ (এজেন্সী): কেরলাগী গোল্ড স্মগ্লিং কেসতা মরুওইবা একুজ অমা ওইরিবা স্বপ্না সুরেশ ইরাই নুমীৎতা ঐচ আর দি এস ইন্দিয়া হায়বা আর এস এসনা শৌগৎপা এন জি ও অমদা য়াওখ্রে।

স্বপ্না ইদুক্কি দিষ্ট্রিক্টকী থোদুপুঝাদা লৈবা এন জি ও অদুগী ওফিসতা চৎখি অমসুং মহাকপু দিরেক্টর-কোর্পোরেট সোসল রেস্পোন্সিবিলিটিশিং শীজিন্নখি। অনৌবা ফম অদু পায়রকপগা লোয়ননা মহাক্লা হায়খি মদুদি, মদুনা মহাক্কী হিংনবগী লম্বী অমা ওইরগনি। মহাক্কা মরী লৈনবা ৱাথোকশিং লোগী মখা পোন্না চৎফম তোকপা লম্বীদা চৎখিগনি।

ঐচ আর দি এসকী মতুংইন্না মহাক মরুওইনা ন্যু দেল্লীদা লৈবা এন জি ও অদুগী কোর্পোরেট ওফিসতগী থবক তৌবনি। এন জি ও অদু তামিল নাদু, গুজরাত, ত্রিপুরা, অসাম, ঝরখন্দ অমদি কেরলাদা ওপরেট তৌই। চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা গোল্ড স্মগ্লিং কেসকী একুজ অসি এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটকী ওফিসতা চৎখি। কো-একুজ অমসুং আই এ এস ওফিসল এম সিভাশঙ্করগী মায়োক্তা অনৌবা ৱাফম খরা ফোঙদোরকখিবগা মরী লৈননা নোটিশ পীরকপদগী স্বপ্নানা ঈ দিগী ওফিসতা চৎখিবনি।

# মোবাইল পীদবদগী পবজি এদিক্ট মথন্তা শিজখ্রে

জয়পুর, ফেব্রুৱারী ১৮ (এজেন্সী): জয়পুরদগী ক্লাস টুয়েল্ভ তম্লিবা পবজি এদিক্ট ওইরবা মহৈরোয় অমা মহাক্কী বার্থদেদা মমা-মপানা গিফ্ট ওইনা ফোন পীদবগীদমক্তা সুইসাইদ তৌখ্রে হায়না ইরাই নুমীৎতা পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

নুপামচা অদুগী মমিং অদিত্যা কুমার কৌই। ফেব্রুৱারী ১৩দা মহাক্কী বার্থদে সেলেব্রেসন তৌখি। সেলেব্রেসন অদুগা মরী লৈননা মমা-মপাদা মোবাইল ফোন অমা গিফ্ট ওইনা পীনবা দিমান্দ তৌখিবনি। মহাক্কী মমা-মপানা মহাকপু ক্লাস টুয়েল্ভকী বোর্দ এগজামদা মার্ক ৱাংনা ফংলগা পাস তৌরবা মতুংদা মোবাইল ফোন লৈগে হায়না থাজবা পীখি। অদুম ওইনমক নুপামচা অদুনা মমাগী সারি শীজিন্নরগা সেলিং ফেনদগী থৌরী য়াল্লম্বা উবদা মখোয় থম্মোয় শোকখি।

কেস অদুবু হেন্দল তৌরিবা জয়পুরগী সোদালা পুলিস ষ্টেসনগী ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসর রাজকুমারনা এজেন্সীদা ফোঙদোরকপদা, য়ুমশকৈশা নুমীৎতা অদিত্যগী কাদাকা মনুংদা চেক তৌবদা মখোয়গী মচানুপা অদু থৌরী য়াল্লগা শিরম্বা উখি। মখোয়না থোঙ ফক্কায়রগা কা মনুংদা চঙশিনখি অমসুং নুপামচা অদুবু এস এম এস হোস্পিটালদা পুখৎখি। তৌইগুম্বসুং ডোক্তরশিংনা মহাক শিরে হায়রকখি। পোষ্ট মোর্টেম পাঙথোকপগা লোয়ননা নুপামচা অদুগী হকচাং ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা খুৎশিন্নখি। রাজকুমারনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, অদিত্যা পবজি এদিক্ট অমনি। মহাক্লা মপুবোক্কী ফোনদা ওনলাইন ক্লাসশিং য়াওখি অমসুং পুং কয়া চুপ্পা পবজি শান্নখি।

HL-P/1596/19

**This may be published in Newspaper and TV from the day following the last date for withdrawal of candidature and upto two days before the date of poll**

**Format C-2**

*(For political party to publish in website, Newspapers, TV)*

Declaration about criminal antecedents of candidates set up by the party

*(As per the judgment dated 25th September, 2018 of Hon'ble Supreme Court in WP (Civil) No. 536 of 2011 (Public Interest Foundation & Ors. Vs Union of India & Anr.)*

Name of political party: **Indian National Congress (INC)**

*Name of Election : **12th Manipur Legislative Assembly Election, 2022**

Name of State/UT: **Manipur**

| 1. | 2 | 3 | 4 | | 5. | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Sl. No. | Name of constituency | Name of candidate | (A) Pending criminal cases | | (B) Details about cases of conviction for criminal offences | | |
| | | | Name of Court, case No. & status of the case(s) | Sections of the Acts concerned & brief description of offence(s) | Name of court & date(s) of order(s) | Description of offence(s) & punishment imposed | **Maximum Punishment Imposed.** |
| 1. | **32-Wangkhem Assembly Constituency** | **Keisham Meghachandra Singh** | **Special MP/MLA Court, Lamphelpat, Spl. T (SC ST POA) Case No. 01 of 2020 At the stage of Charge Hearing** | **U/s 353/ 506/ 34 of Indian Penal Code, 3 (1) X SC/ST Prevention of Atrocities Act 1989 & 131 (1) (b) (2) Representation of Peoples Act, 1951. Allegation of making obstruction to performing duty of Government Servant who is a Police personnel, threatening to put his service under suspension and allegedly insulting him for being a Scheduled Tribe while he was posted at polling station No. 7/40 Nongpok Keithel Manbi Primary School, Keithelmanbi in connection with Phase II polls of Lok Shaba Election, 2019** | Not Applicable | Not Applicable | Not Applicable |
| 2. | | | **Supreme Court of India, SLP (Cril) No. 9127 of 2021 Stay of the proceedings initiated pursuant to the FIR case pending before the Special MP/MLA Court, Lamphelpat** | **SLP has been filed before the Supreme Court whereby the High Court's order dismissing the Criminal Petition filed for quashing the Fir case has been challenged. The Hon'ble Supreme Court vide its order dated 13-12-2021 has been pleased to issue notice and stay the proceedings initiated pursuant to the aforesaid FIR Case** | Not Applicable | Not Applicable | Not Applicable |

* In the case of election to Council of States or election to Legislative Council by MLAs, mention the election concerned in place of name of constituency.